## অপ্পর খোরিপোক্তা সেক্যুরিতি মীট পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ২ শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ঙরাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অপ্পর খোরিপোক্তা সেক্যুরিতি মীট পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ও না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায় নুমিৎ অদুদা ভিলেজ হেদমেনশিং সেক্রেটারীশিং, ভিলেজ ৮ গী য়ুথ ক্লব মেম্বরশিং অমসুং কশোম খুল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি য়াওনা পুলিস পার্সোনেল ৪ শরুক য়াখি।

কম্পেনি কম্মান্দরনা এরিয়াদুগী তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতিগী ওইরিবা ফীভম নৈনবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংগী কো-ওপরেসন মতাংদা মরুওইবা অদুসু ফোঙদোকখি। মীট অদুগা মরী লৈননা মফম অদুমক্তদা মেডিকেল কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা খুদোং চাবা কয়া খুঞ্জাশিংদা ফংহনখি।

লাইরম খুল্লেন, লাইরম ফুঙ্কা, শাংপুরাম,অপ্পর খোরিপোক, নাটজাং অমসুং হোংবি ভিলেজকী খুঞ্জাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি। অসাম রাইফলসনা মনুং চংশিন্না লৈবা ভিলেজকী খুঞ্জাশিংগীদমক তৌখিবা থবক অদুদা অপেনবসু ফোঙদোক্লখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তাখি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

থা অসিগী ১৪ ভেলেন্টাইন্স ডে নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা রিমস ব্লদ বেঙ্কতা ৩১ রক শুবা ভোলন্টরী ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি।

লাইফ সেভরস মণিপুরনা নেস্নেল হেল্ঠ মিসন ষ্টেট ব্লদ সেল, ঐচ দি এফ সি বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর, পিছ গোঙ মণিপুর চেপ্টর, ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন ফোর ব্লাইন্দ তাকয়েলপাৎ, এন এস এস বিরমঙ্গোল কলেজ য়ুনিট ৱান অমসুং টু, কষ্টুরবা গান্ধী ইন্সটিট্যুট ফোর দিভলপমেন্ট চঙাঙ্গৈ, নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট, তৌবুল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, মমি তাইবঙ অমদি রিমস ব্লদ বেঙ্ক লম্ফেল খুৎশম্নরগা কেম্প অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নুমিৎ অসিদা ভোলন্টরী ব্লদ দোনেসনগী মতাংদা এৱার্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু রিমস আই ঐচ বি টি গী ওডিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়না লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং ডাইরেক্টর কে. পদ্মকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোরকখি।

## সপরমৈনাগী ও সি ট্রান্সফর তৌগদবনি

*কাংপোকপী, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*


সপরমৈনা এরিয়া ভিলেজ ওঠোরিতি (এস এ ভি ও) অমসুং সাইটু এরিয়া গম্ফাজোন এরিয়া ভিলেজ ওর্গনাইজেসন (এস এ জি এ ভি ও) না গন্নোম-সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী ও সি খুদক্তা ট্রান্সফর তৌনবা দাবী তৌখ্রে।

ওর্গনাইজেসন ২ অসিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা য়ু পি এফ লূচিংবশিং য়াওনা জি সোংলুং ভিলেজদা কুকি পোলিটিকেল ষ্টেটস, পাস প্রজেন্ট এন্দ ফ্যুচর হায়বা হিরমদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমসুং য়ু পি এফ- কে এন ও, ভারত সরকার অমদি মণিপুর সরকারগী মরক্তা ৱারী শান্নরিবা অসিগী মতাংদা খন্ননবা থৌরাং তৌখি।

ভিলেজ ২ না পুন্না শীনবা প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদ গন্নোম - সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী সেকেণ্ড ও সি দগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌখি। অদুবু ও সি না পুলিস কম্মান্দোগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা অকায়বা পীবতা নত্তনা দরকার ওইবা পোৎ-চৈ পুনবা হোৎনবদা অথিংবা পীখি। অসিদসু নত্তনা ভিলেজ চীফশিংদা অকনবা ৱাহৈ কয়াসু শীজিন্নখি।

অসিদসু নত্তনা ইন্সপেক্টর জে কে হাউকিপ অমদি মহাক্কী টিমনা জি সোংলুং ভিলেজতা লাক্তুনা চান-থক্লবগা মরী লৈনবশিং য়াওনা এক্টিভিটিষ্ট খুদিংমক অথিংবা পীখি। অসিগুম্বা থৌওংদা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ও সি জম্খোহাউ এলাইজ জে কে হাউকিপ্পু অথুবদা ট্রান্সফর তৌনবা মরী লৈনবা ওঠোরিতিদা দাবী তৌখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ক্বাথা খুন্নৌদা নোংমাইজিং য়াকায়পুং মীফম পাঙথোকখ্রে




*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙ অমদি সলাই পুরারি শিংপুল লূপ খুৎশম্নদুনা ঙরাং অখন্নবা খোঙচৎ অমা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাথাদা চৎপগা লোয়ননা ঙসি ফাইরেল ১৭ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়াকায়পুং মীফম ঈফুরুপচাশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙগী থৌবুরেল (প্রেসিডেন্ট) মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবদি ক্বাথা খুঞ্জাও অমদি ক্বাথা খুন্নৌদা লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুঙনা লিশাংশিৎনা য়াকায়পুং মীফম অসি ফম্লকখিবনি।

হৌখিবা চহী ৩ লেপ্পা লৈতনা নোংমাইজিং খুদিং মণিপুরগী মফম কয়া চত্নুনা য়াকায়পুং ফম্লগা ইনাৎ অমদি লাইনিংবু য়োখৎনবা হোৎনরক্লি। ক্বাথাগী য়াকায়পুংদা লূপলোইশিং মায়কৈদগী ঈফরুপচাশিংদা ইশাগী নাৎ, ইয়েক অমদি লাইনিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিং পুন্না খন্ন-নৈনখি।

খুঞ্জাশিংগীদমক লূপলোইশিংনা চেঙ-হৱায়, থাউ-থুমনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলম খরসু খুদোল তমখি। ক্বাথা খোঙচৎ অসিদা থেংনরকপা মফম অদুগী লম্বী থোংগী ফিভম অসুক্কী মতিক পেন্নিংঙাই ওইদে। অদুবু অঙাংশিং মহৈ-মশিং তম্বগী চাংদি য়াম্না ৱাংই।

লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবনা মহৈরোইশিং মপুং ফানা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোং চাবা ফংদ্রি। ক্বাথাগী ঈরৈচাশিং লৈঙাক্কী ওইবা মখল অমত্তগী মতেং ফংদনা লৈ। মণিপুরগী ঙমখে কায়হল্লোই হায়না সরকার অমদি অতৈ কয়ানা হন্না-হন্না লাউরবসু ঙমখে লমদমদা লৈরিবা ঈরৈচাশিংবুদি লাইথোক্লা অমদি নীংশিংবিদবা অসিদি পেন্দে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## এ এম জি এস য়ু গী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে

*কাংপোকপী, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

ঙসি কংলাতোম্বীগী হিন্দী হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা চিংলেন্নবা থৌরম অমদা ওল মণিপুর গুর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এম জি এস য়ু) গী নৌনা খনখ্রবা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে।

এ এম জি এস য়ুগী অনৌবা থৌ পুগদবশিং অদু হৌখিবা জনুৱারী ২৯ দা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন অসিগী ইলেক্সনদা খনখিবনি। ঙসি মখোয়বু ৱাশকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর গুর্খা ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন, নেপাল্লি সাহিত্য পরিষদ মণিপুর, ভারত্তিয়া গুর্খা পরিসদ মণিপুর য়ুনিট, নেপাল্লি সংস্কৃত সুরক্ষ্য পরিষদ মণিপুর, মণিপুরী কিরট সঙ্ঘ অমসুং কে জি ৱাই এ গী লূচিংবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লোকেল ওর্গনাইজেসনগী লূচিংবশিং, অখঙ-অহৈশিং অমসুং এ এম জি এস য়ু য়ুনিটশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

চহী ৩ টার্মগীদমক থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওই ১৪ অদু মমাঙগী প্রসিডেন্ট অনিলকুমার দহল, রিটর্নিং ওফিসার ডা.তনকানাথ কটিৱাদা, প্রিসাইডিং ওফিসার কে বি অচারিয়া অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী এডভাইজর মদনকুমার লিম্বু গী মাংদা মখোয় মখোয়না পায়গদবা ফমগা লোয়ননা ৱাশক লৌখি।

য়ুনিৎ অসি ১৯৬৭ দা গুর্খা মহৈরোই অমসুং নহারোলশিংগী এড়ুকেসন, কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবা লমদা হেন্না খুমাং চাউশিনহন্নবা মীৎয়েংদা লিংখৎখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মমাঙগী থৌ পুরম্বশিংবু হরাও-তয়াম্না বিদায় পীবগা লোয়ননা অনৌবা থৌ পুগদবশিংসু ওকখি হায়রি।

## শর্মিলানা শেংদোক্ত্রবদি আইনগী মতেং লৌরনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগা থেংননবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা য়াল্লবা শেনফম পীগনি হায়বা ইরোম শর্মিলাগী ৱাফম অদু অথুবা মতমদা শেংদোক্ত্র বদি আইনগী মতেং লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিট জেনরেল সেক্রেটরী অমনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফমদি শর্মিলা বি জে পি না কৈদৌঙেদনা শেলগা মন্তিক্লখিবা লৈতে। অদুনা মহাক মশানা মীয়ামদা ময়েক শেংনা শেংদোক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোক্ত্র বদি মহাক্কী মথক্তা আইনগী মতেং লৌরগনি হায়রি।

**JOB VACANCY FOR MANIPUR UNEMPLOYMENT PEOPLE**

| SL.No. | Post | Vacancy | Gender | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Reception | 01 | F | XII to Above | Rs. 5000/- to Rs. 10000/- |
| 2. | Feild Officer | 02 | M | XII to Above | Rs. 5000/- to Rs. 12000/- |
| 3. | Security Guard | 45 | M/F | VIII to Above | Rs.5000/- to Rs. 8000/- |
| 4. | Security Guard(Outsite) | 640 | M | VIII to Above | Rs.13,000/- to Rs.25,000/- |
| 5. | Driver | 15 | M | VIII to Above | Rs 5500/- to Rs. 15000/- |
| 6. | Gardenner | 8 | M | VIII to Above | Rs. 5500/- to Rs. 8000/- |
| 7. | Car Wash | 12 | M | VIII to Above | Rs. 5500/- to Rs. 12000/- |
| 8. | Parking Ticketing | 25 | M | VIII to Above | Rs. 6000/- to Rs. 12000/- |
| 9. | Security Gunman | 16 | M | VIII to Above | Rs. 7000/- to Rs. 16000/- |
| 10. | Housekeeping | 10 | F | VIII to Above | Rs. 5000/- to Rs. 8000/- |
| 11. | Airport Staff | 24 | M | XII to Above | Rs. 12,000 (Starting) |

**FIRST COME FIRST SERVE**

Form Available at Office Hour: **9.30 A.M. to 4.30 P.M.**

Last date of form Submission and Interview **Date on 27th Feb. 2017**

Mobile No: **9612407216 , 9856732249 , 9863601827**

**Sd/-**
Khumukcham Dawn Singh
Director (Admn.)
Sangai Security Service
Singjamei, Near Super Market Complex
Imphal West, Manipur 795008
**Regd. No. 3584 of 2016**

SL/1855/9&13

**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs.8.40 | 3000 | Rs.27200 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.28800 |
| 1st | Rs.8.40 | 2000 | Rs.16800 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.19200 |
| 1st | Rs.8.40 | 1500 | Rs.12600 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.14450 |
| 2nd | Rs.8.20 | 3000 | Rs.24600 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.28200 |
| 2nd | Rs.8.20 | 2000 | Rs.16400 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.18800 |
| 2nd | Rs.8.20 | 1500 | Rs.12300 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.14150 |
| 1st Rej. | Rs.7.30 | 3000 | Rs.21900 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.25500 |
| 1st Rej. | Rs.7.30 | 2000 | Rs.14600 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.17000 |
| 1st Rej. | Rs.7.30 | 1500 | Rs.10950 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.12800 |
| Peti | Rs.7.00 | 3000 | Rs.21000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.24600 |
| Peti | Rs.7.00 | 2000 | Rs.14000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.16400 |
| Peti | Rs.7.00 | 1500 | Rs.10500 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.12350 |
| 3rd | Rs.4.00 | 3000 | Rs.12000 | Rs.3000 | Rs.600 | Rs.15600 |
| 3rd | Rs.4.00 | 2000 | Rs.8000 | Rs.2000 | Rs.400 | Rs.10400 |
| 3rd | Rs.4.00 | 1500 | Rs.6000 | Rs.1500 | Rs.350 | Rs.7850 |

SL/1723/Upto 5,March

**Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)**
**Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.**

EMPLOYMENT NEWS
থবক্কী পাও

## ONGC Recruitment 2017 Notification Junior Assistant Operator & various posts

ONGC is the flagship company of India and making the possible team of around 33000 professional who toil round the clock the challenging geographer. ONGC is the toil which reflects in the aspirations and performance figures of ONGC. The company has adopted progressive policies in scientific planning / acquisition / utilization / training and motivation of the team. At ONGC, everybody matters / every soul counts.

**ONGC 85 Junior Assistant Operator & various vacancies – 15th March 2017**

**ONGC 11 Field Medical officer & various vacancies – 13th February 2017**

Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC), invites application for the position of 85 Junior Assistant operator, junior Roustabout and various vacancies. Apply online before 15th March 2017.

**Post name:-** Junior Assistant operator, junior Roustabout
**Job Location:-** Maharashtra
**/Pay Scale:-** Rs.12000 – 27000/- Per Month
**Last Date:-** 15th March 2017
**Qualification:-** High School, 10th class
**Total Posts:-** 85 Posts

**Junior Assistant Operation:-** 29 Posts
**Qualification:-** Candidates should have passed high school or class 10th or equivalent board examination with driving licence.
**Pay Scale:-** Rs 12000 – 27000/- Per Month
**Age Limit-** The age of the Candidates will be according to rules and regulation of ONGC organization.
**Mode of Selection:-** The selection of the Candidates will be on the basis of interview.
**Junior Roustabout:-** 24 Posts

**Qualification:-** Candidates should have passed high school or class 10th or equivalent board examination with 1 year experience..
**Pay Scale:-** Rs 12000 – 27000/- Per Month
**Age Limit:-** The age of the Candidates will be according to rules and regulation of ONGC organization.
**Mode of Selection:-** The selection of the Candidates will be on the basis of interview.
**How to apply:-** Candidates may apply online through official website of ONGC http://ongcindia.com from 9th February 2017 to 15th March 2017.
**Important Dates:-**
Starting date for the submission of online application is 9th February 2017.
Last date for the submission of online application is 15th March 2017.

**Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC), invites application for the position of 11 Field Medical officer, Paediatrician and various vacancies on contractual basis. Walk-in-interview 13th February 2017**

**Post name:-** Field Medical officer, Paediatrician
**Job Location:-** Assam
**/Pay Scale:-** Rs.60000/- Per Month
**Last Date:-** 13th February 2017
**Qualification:-** MBBS
**Total Posts:-** 11 Posts
**Filed Medical Officer:-** 06 Posts

**Qualification:-** Candidates should have MBBS degree with valid registration with MCI.
**Pay Scale:-** Rs 60000/- Per Month
**Age Limit:-** The age of the Candidates will be according to rules and regulation of ONGC organization.
**Mode of Selection:-** The selection of the Candidates will be on the basis of walk-in-interview that will be held at officer club, Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC) colony, Assam.
**Paediatrician:-** 01 Posts

**Qualification:-** Candidates should have MBBS degree with valid registration with MCI.
**Pay Scale:-** Rs 64000/- Per Month
**Age Limit:-** The age of the Candidates will be according to rules and regulation of ONGC organization.
**Mode of Selection:-** The selection of the Candidates will be on the basis of walk-in-interview that will be held at officer club, Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC) colony, Assam.
**How to apply:-** Candidates may appear walk-in-interview along with photocopies of relevant documents / experience certificate / recent passport size photograph / photo ID and original documents at the time of interview that will be held at officer club, Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC) colony, Assam.

**Important Dates:-**
Date of interview is 13th February 2017
**Tripura ONGC Recruitment 2017 Notification Medical Officer posts :-** ONGC, invites application for the position of 02 Field medical officer, vacancies on contractual basis. Applicants may appear walk – in – interview 8th February 2017

**Organization Name:-** ONGC
**Designation:-** Field medical officer
**Qualification:-** MBBS
**Pay Scale:-** Rs.60000/- Per Month
**Last Date:-** 8th February 2017
**Posting Place:-** Tripura
**Total No. of Posts:-** 02 posts
**Field Medical officer:-** 02 posts
**Pay Scale:-** Rs 60000/- Pere Month

**Educational Qualification:-** Candidates applying for the position of Field Medical officer should have MBBS degree from a recognized university with registration certificate from MCI as per IMC Act 1956.

**Selection Instruction:-** The selection of the candidates applying for the position of Field Medical officer will be on the basis of walk – in – interview that will be held at ONGC **Guest House, ONGC south colony, Badharghat, Agartala on 8th February 2017.**
**Age Limit:-** The age of the candidate applying for the position of Field Medical officer will be according to rules and regulation of ONGC organization.

**How to apply:-** Interested and eligible candidates applying for any position may appear walk – in – interview along with application form along with photocopies of certificates at the time of interview that will be held at **ONGC Guest House, ONGC south colony, Badharghat, Agartala on 8th February 2017.**

**Important Dates:-**
Date of interview is 8th February 2017.
**General Instruction:-**
Person with disability PWD (OL / OA) may also apply.
Doctors wishing to appear for the walk-in-interview are also required to register their names by vising ONGC site “ongcindia.com” by 4th March 2016.
No TA / DA is admissible for this interview.
The applicant should come prepared to stay for one more day at own cost, if required.
Applicants may note that the registration for walk-in-interview will close at 1100 HRS on 31st May 2016,
Only Indian national are eligible for this position.

## নোংমাইথেম পহারী

## ঐগী দায়রিদগী

## আগরতলা জেল

*ঙরাংগী মখা...*

লালহৌবগী মরীদা ফারক্তুনা জেলদা লৈরিবা মৈতে মচা ময়ামদু অহানবদদি জেলগী অথোরিটি অমসুং ৱার্দরশিংদুনা য়াম্না লুনা তৌরম্মী হায়না তম্মী। থোইদোক্লা চেকশিন্না য়েংশিল্লমদে। ৱার্দরশিংগা য়াম্না লোনদিন্ননা লোয়নরম্বনি। মৈতে মচা প্রীজিনর খরনা ধরমতলা জেলদগী ৱার্দর অমা হাৎতোক্লগা চেনখিবা মতুংদগীদি খঙচেক চেকশিনখিবনি। মখোয়না হাৎলল্লিবা ৱার্দরদু ত্রিপুরি মচানি। মৈতে মচাশিংদুবু য়াম্না লুনা তৌজবা মীওইনি হায়। অহিংদুদি মহাক্কী দ্যুটি তাদবা জাৎনি, য়ুমদা হনবা তল্লে লেকথোক্লগে হায়দুনা দ্যুটি তাবা ৱার্দরদু থাদোকখ্রগা মহাক্লা লৈহৌবনি। লাইবক্তা তমখ্রবদি নাম্থোকপা য়াদে হায়নবদুনি, ময়ুমদা হল্লন্নবদি মহাক শিরমদবা য়াবনি। চেল্লগে হায়না প্লান পূন্নমক লোইখ্রবনা নুংশিরবসু নুংশিনা নূংথংনা থারগা হাৎলম্বনি। চেল্লুবা মকোয় লোয়নমক ফারক্লগা জেলদা অমুক থন্নবনি।

ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চঙলকপনি নীনি চনবগী অয়ুক্লি শগোলশেলনি। পুং ৬ তা থোঙ হাংদোক্তুনা পুং অমরোমদি মপান্দা চৎলম্মী। পুং ৭ তারকপা কান্দা অমুক চঙই। চাক চানবগী ১১.৩০ তারকপদা মপান্দা অমুক পুথোকই। জুরা -জুরা পরেং চৎপদুদি তোক্তে। লৈরিবা পুখ্রিদুদা ঈরুজহল্লি। পুং ১২ দা চাক চানবা ময়াম ভেরান্দাদা পরেং অনী থোক্লা ফম্লে। চাক য়েল্লক্লে তল অনী অনীসু হাপ্পী। জমাটিয়া কৌবা কৈদি অমনা লিক্লি অমা পায়রগা লাকই। চাক চানবা ফল্লিবা ময়ামদুনা খুৎ য়েৎ তিংথোক্তুনা লৈ। ময়ামদু হান্ননা খঙলবগুম তৌই। ঐসু খুৎ তিংথোক্লে। জমাটিয়ানা লিক্লিদুদগী হঙ্গাম থাওদু খুবাক্তা খরা হৈরকই। কোক্তা তৈনবগী পীবনি অদুবু পুখমদা লৈরিবা চাক্তুদা তোৎশিনখ্রে।
– ফনা ফবনি মহাও য়েংবীউ চাউবনা হায়রকই।

ঐসু তোৎশিল্লে হৱাই মহীদুগা ফনবু ফৈ। নুংতিগী ওইনা অদুমক চখরে। ঐখোয়গী কাদুদা জমাটিয়া কনভিক্ট অমসু পূন্না লৈমিন্নৈ, চহী ২০ মিয়াৎ তারবা কৈদিনি। লৈরিবা ঐখোয় ময়ামবু য়েংশিন্নবা অশিন অরাংগী ওইনা থম্বনি। মহাক্কী মকোক্কী শম অয়াম্বা শমজাবিনা চাথোকখ্রে।

*মথং মথং ...*

## য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চরা হেনবা

*ঙরাংগী মখা...*

ক্রোনিক কেশতা চরা হেল্লবদি মিনিট অমদা ৬০ দা তাথখি চাদ্রিবা ফাওবা অদুম লৈবনা নমই। য়াম্না হেনগৎনা লৈবা, য়াম্না তপ্পা হন্থনা লৈবসি চরা হেনবা মতমদা কনা কনাগুম্বদা থোকপনি, রুল নত্তে। কিফম লৈতে। অহোইননা থম্মোই শোনবা নৎত্রগা থম্মোই নাবা মীদি চরা হেল্লগা য়াম্না কান্নগনি। হার্টতা খ্বাইদগী শোকপ’দি চাকয়াম শায়াম চাশিনবনি। অদুগা অতোপ্পা অবস্থা কয়াদা চরা হেনবদা কিফম থোক্তে।

**মৈশা ঃ-**

য়াম্না হাইগৎনা লৈবা টেম্পরেচর হাইথহল্লি। অদুগা য়াম্না হাইথনা লৈবনা হাইগৎহল্লি। অদুগা চপ চানা লৈবদনা চরা হেল্লগা করিসু হেল্লগা করিসু হোংদোক্তে। একুটনা নাবা মীওই অমদা খরদ ওইরবসু পীজদুনা থন্নবদি শাগক্তুনা লৈ। চরা হেল্লগদি টেম্পরেচর অসি হন্থে, লাইহৌ হেনগৎহন্দে অদুগা এনেমাদি তৌথোকপীগনি। “চৎ-না” খুদিংমক চাবা লেপত্রবদি অসুম লাইহৌ হাইফেৎ তৌদুনা লৈ। ধাতু লাইহৌ হায়নসু খঙনবা অমা লৈ। মদুনা ঈ শেংদবদগী অসুম লাইহৌ হাইফেৎ তৌদুনা লৈ। ধাতু লাইহৌ হায়নসু খঙনবা অমা লৈ। মদুনা ঈ শেংদবদগী অসুম লাইহৌ হাইফেৎ তৌদুনা লৈ। চরা হেক হেন্দোকপদা ফজখি।

অদুগা অনাবা অয়াম্বনা “হিপ-বাথ” কুম্বা শেংনবা লৌখৎলকপা থবক্তা নৎত্রগা চরা হেনবদা লায়হৌ লাকই। মদু “হিলিং ক্রাইসিস” (ফনবা লাকপা) মওং অমনি। টেম্পরেচর অসি ঈংদুনতা লৈবা, হিংননবগী পাঙ্গল অসি শোন্থরবা মীওইদা চরা হেক হেনহনবদা মৈশা হেনগৎলকই ফত্ত-হৌদি অদু চাকপা হৌবনি। অসুম মৈশাদি হেনগক্তুনা লৈরগা চরা হেনবা, লেপ্পগা লোয়ননা ফজখি।

পংচাদা চাশিন্দুনা ওদুনতা লৈবা ময়াং কংবা, ঈংদুনতা লৈবা শিরগদ্রা খনবা মীওই অসি মতম খরা কুইনা চরা হেল্লগা টেম্পরেচর অসি হাইগৎলকই।

চপচানা মৈশা লৈবা নৎত্রগা খরদং হাইগৎলকপসি চরা হেনবা মতমদা থোকই। অদুগা অসুম ইংদনা লৈরবোই খল্লি। নিংথম চনবগুম খল্লিবা অদুদি চিঞ্জাক্লা পীবশিংগী থবক অদু ৱাৎপদগী ঈ চেম্থোক চেনশিল তৌবদা ৱাৎপনা উনশাদা লাকপনি, ঈ ৱাত্তুনা তৌবনি। নিংথম চল্লি হায়না খল্লিবা মতম অদু থর্মোমিটর থাদুনা য়েংবা থোইনা হন্থনা লৈতে, মৈশা তাথদে।

**অরাম্বা পোকপাঃ-**

লাম্বসি অসুম চরা হেল্লকপদা মথংগী নুমিৎ অদুগী চাক চাবা মতম অদু ফাওবদনি। মাদু হেক লাম্থোকখিবদগীদি চাক লামদ্রে। লৈগী শলৈবান তোক্ত্রিবা মীনা লাম্বা পোক্তে চানীংদবদা অচাপোৎ অমতা মশক ফাওবা য়েংনীংদে। চাক লাম্বসি অশেংবদি পুক্তগী পোক্লকই। মাদুতদা চাগদবনি। চাক লাম্বদি তুম্বা ঙম্বগী পাঙ্গলনি।

অরূম্বা মাঙবাঃ-

চরাদবু হেল্লবদি অরুম্বা শরুক, মহাওগী শরুক য়াম্না চৎখি হায়বসি মশানা তাবনি। অদুন্নদি ওইরগা তাইফোইড কুম্বা লায়নাদা পীজদুনা লায়য়েংবগা, পীজদনা লায়য়েংবগা, পীজবা অদুনা ময়াং কংথবা হেল্লি। পীজদবা অদুনা থুনা ফবসু হাল্লি। অদুনা হকচাং শোকহন্দবসু হেল্লি।

করিগীদমক্তা নারগা য়াং কংথবগে? খ্বাইদগী ফবা চিঞ্জাক অদু পীজরবসু নারিঙেদদি চারিবা অদু হকচাংনা লৌশিন্দে। মরমদি হান্না লৈরম্বা ফত্ত-হৌদি অদু শেংদোকপদা অনৌবা অমতা তুমহন্দদুনা লৌশিনবগী থবক অমুক তৌরোই। অদুনা পীজরিবা পুন্নমক পুমথদুনতা তোক্কনি। অনাবদু ৱাবা হেনগৎহনগনি।

ক্রোনিক ওইনা নাবা হায়বদি কুম লায়নাশিংদি অকনবা মী অমগুন্না চাশিল্লগা নোয়খৎলি। চরা হেল্লগদি মদু পুন্নমক চৎখি। চরা হেক হেনবদা নোংমদা পাউন্দ অমমমগী ভাবতা তাথৈ।

*মথং মথং ...*